# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 15-11-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুরদা শান্তি হনজিল্লকবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা এরিয়া দোমিনেসন লেপ্তুনা চখরি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমগা মতুং ইন্না, সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা পুং ২৪ দা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা কাঞ্চিপুরদগী কে.সি.পি. (এম.এফ.এল) গী মীওই অমা ফাখি।

উখ্রুল জিলাগী লমলাই চিংখৈ চীং, থব্রাই-কুকি চীং, কচাই থিকোর চীং অমসুং ফালি অমদি তোরা খুলগী চীংমাইদা একর ১১৩ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাঙহনখ্রে।

সেনাপতি জিলাগী মরাম পুলিস ষ্টেসন চ্যেক পোইন্টতা ঙরাং ত্রক অমদগী কাণি কিলোগ্রাম ১৮ গ্রাম ২০০ ফাখি।

সেনাপতি এস.পিগী লমজিং মখাদা মরাম পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি, স্পিসিএল ওপরেসন টিম অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা পোৎলমশিং অদু ফাগৎখিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মরাম পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবা হৌখ্রে।

**দাইবেটিস (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম ৱার্ল্ড দাইবেতিস ডেগী থৌরম ঙরাং চান্দেল জিলাদসু পাঙথোকখি।

নন-কম্ম্যুনিকেবল দিজিজ, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-চান্দেলনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সি.এম.ও. ডা: জোয়সন মেথিয়ু মোনশাং, মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট-সরভম সকচুঙ মোয়োন অমদি এন.সি.দি. সেল-চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার-ডা: সুমপি গিলবর্ট শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা নেসনেল কেন্সর এৱারনেস ডে-২০২৫ গী থৌরমসু পাঙথোকখি। তুংদা, জিলা অদুগী মীওইশিংদা লেমা স্ক্রিনিং তৌবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**জেলিয়াংরোং (এল)ঃ** জেলিয়াংরোং লুৱাংদিমাই ফুরুপকী অখন্ননা পাঙথোকপা মকুই লুৱাংদি কুম্মৈ-২০২৫, থা অসিগী ১৮ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

মালন ৱাংবোঃ রির্টন ওফ দা নেটিব হায়বা হীরমদা পাঙথোক্কদবা কুম্মৈ অসি তমেংলোং জিলাগী মকুই লুৱাংদি খুলগী মীওইশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা ইম্ফাল, নাগালেন্দা অমসুং অসামদগী মীওই কয়া লাক্তুনা নাৎকী ওইবা জগোই-ঈশৈ কয়া খুদোল তমগনি।

**সিতারমনঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমলা সিতারমননা নাগালেন্দদা হন্দক নৌনা শাবা ইন্দষ্ট্রিয়েল ত্রেন্নিং ইন্সটিট্যুট, সমার্থ পোরটেল অমসং বেঙ্কশিং শঙ্গাখ্রে। মন্ত্রিনা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরমশিংদা শরুক য়াদুনা মফম অদুগী মীওইশিংগা উন্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী ৱাফম কয়া খন্নখি।

শ্রীমতি সিতারামননা কিফাইয়রদা ঙরাং ইন্দষ্ট্রিয়েল ত্রেন্নিং ইন্সটিট্যুট শঙ্গাবগা লোয়ননা এস.বি.আইগী সি.এস.আরগী শরুক অমা ওইনা লুপা লাখ ৯ খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা, বিনিফিসরি ৩৫০ দা লোনগী শেনফম লুপা কোতি ২৮ গী শেনফম থাদোকখি। থৌরম অদুদা শ্রীমতি সিতারামননা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং হেন্না চাউখৎহন্নবা কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংগী স্কিম কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

তুংদা, ভরচুয়েলগী খুত্থাংদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা বেঙ্ক ৯ শঙ্গাখি অমসুং কেন্দ্র সরকারগী তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাং স্কিমশিংগী বিনিফিসরিশিংদা সেঙ্কসন লেটরশিং খুৎশিন্নখি।

**বিহার ঃ** বিহার বিধান সভাগী মীখলগী ফল লাউথোক্লে। এন.দি.এনা চাউনা মায় পাক্লে।

পুন্না সিট ২৪৩ লৈবদা এন.দি.এনা সিট ২০২ ফংদুনা চাউনা মায় পাক্লে। মায় পাক্লবশিংগী মনুংদা-দরভঙ্গাগী আলিনাগর সিট ফংবা ঙমখ্রবা বি.জে.পিগী মাইথিলি ঠাকুরনা খ্বাইদগী নহা ওইবা এম.এল.এ. ওইরগনি। মহাক্কা লন্বা ওইরিবা আর.জে.দিগী বিনোদ মিশ্রাদগী পুন্না ভোট মশিং লিশিং ১২ হেনখি।

বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-বিহারগী মীখলদা বি.জে.পিনা মায় পাকপা অসি রাজনিতিগী চাউখৎ খোঙথাংদা তঙাইফদবা অমা ওইরি। ন্যু দিল্লিদা লৈবা বি.জে.পি. হেদক্বাটরসতা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়-নুপী মীরেপশিংনা মখোয় মখোয়গী লন্বাশিংবু চাউনা মায়থিবা পীবা ঙন্বা অসি য়ামা থাগৎনিংঙাইনি। মহাকা রাজ্য অদুগী মীপুম খুদিংমকপু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা লৈবাক অসিগী ইলেক্তোরেল প্রোসেস চুমা চথবদা মীখল অসিনা অচৌবা খুদম অমা ওইরি হায়না ফোংদোকখি।

চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার-গ্যানেস কুমারনা অকাশবানিদা হায়-ইং ১৯৫১ দগী হৌজিক ফাওবদা মীখল পাঙথোরকপদা ভোট থাদবা মীগী মশিং চহি অসিনা খ্বাইদগী য়ান্বা ওইরে। ভোট চাদা ৬৭.১৩ ওইখি।

**গৌরভ ঃ** লৈবাক অসিনা ঙসি ফ্রিদম ফাইটর অমসুং ত্রাইবেল লুচিংবা ভগবান বিরশা মুন্দাগী মপোক কুমওন নুমিৎপু জন জাতিয়া গৌরব দিবস হায়না পালন তৌরি।

কেন্দ্রনা ত্রাইবেলগী ইতিহাসকী মরুওইবা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা চহি খুদিংগী নবেম্বর ১৫ বু জন জাতিয়া গৌরব দিবস হায়না পালন তৌবনি। থৌরম অসি জন জাতিয়া গৌরব ৱিক হায়না তোঙান তোঙানবা মন্ত্রালয় অমসুং রাজ্যশিংদা কলা সংস্কৃত্তিগী থৌরম, ইগজিবিসন অমদি মহৈ মশিংগী ওইবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লি।

**কম্ম্যুনিকেসন ঃ** ইন্দিয়ান টেল্লি-কম্ম্যুনিকেসন সার্ভিস (আই.টি.এস) কী চহি ৬০ ফাবগী দাইমন জল্লিগী থৌরম ঙরাং দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণন শরুক য়ারদুনা হায়- লৈবাক অসিদা টেকোলোজিনা অহোংবা পুরকপগা লোয়ননা টেকোলোজি হায়বসি মীপুম খুদিংমকা হিংবদা চংদ্রবা য়াদ্রবা হীরম অমা ওইরি। লৈবাক অসিগী মীওই কয়াগী পুন্সিদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ইনোভেসন অমসুং দিজিটেলনা কান্নবা পীদুনা লৈবাক অসিগী টেল্লিকোম সেক্তর শিংথানিংঙাই ওইনা অওনবা লাক্লে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা কম্ম্যুনিকেসন মন্ত্রি-জ্যোতি রাদিত্য সিন্ধিয়ানা হায়- আই.টি.এসকী চহি ৬০ শুরকপগী খোঙচৎ অসিদা টেলিগ্রাফ লাইন শিজিন্নরম্বদগী দিজিটেল হায়ৱেনা মহুৎ শিল্লকপা অমসুং গ্লোবেল দিজিটেলগী লমদা লৈবাক অসি মাংজিল থাবা লৈবাক ওইবা ঙমলে।

**এরেষ্টঃ** মুম্বাই ইয়ারপোর্ট কষ্টমস ওফিসিএলশিংনা মুম্বাই ইয়ারপোর্টতগী থা অসিগী ১০ অমসুং ১২ ফাওবগী মনুংদা লুপা কোতি ১০ হেনবগী গঞ্জা অমসুং লুপা কোতি অনিরোমগী সনা ফাগৎখ্রে।

অখন্নবা পাউ ফংবদগী কষ্টমস ওফিসারশিংনা বেঙ্কোক্তগী লাকপা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংদগী গঞ্জাশিং অদু ফাখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বিহারগী মীখলদা এন.দি.এনা চাউনা মায় পাখিবা, কোকোমি অমসুং আই.দি.পিশিংনা সঙাই ফেষ্টিবেল বোইকোট তৌবা অমসুং এস.টি. লিষ্টতগী কুকি ত্রাইবেল লৌথোকবা তকশিনখিবগী পাউ, ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা

মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

বিহারগী মীখলদা এন.দি.এনা চাউনা মায় পাকখ্রে। নিতিশ কুমারনা অমুক হন্না চীফ মিনিস্তর ওইনবা থৌরাং তৌখ্রে হায়না পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউদা-তমেংলোং টাইমস, গানফিয়ু মেল, সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি, পিপলস ক্রোনিকল, দা চা অমসুং হুইয়েন লানপাউদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ষ্টেটকী থাক্তা ৱার্ল্ড দাইবেটিস ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। দাইবেটিসনা স্তোক অমদি হার্ট এটেক থোকহন্নবগী মচাক ওইরি হায়না সনা লৈবাক্কী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

এস.টি. লিষ্টতগী এনি-কুকি ত্রাইব লৌথোকবা বি.এল. সন্তোস অমসুং সম্বিত পত্র উন্নদুনা থাদৌ ইনপি মনিপুর টিমগী মীহুৎশিংনা তকশিনখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউদা-থাদৌ ইনপি মনিপুরনা বি.জে.পিদা মনিপুর এস.টি. লিষ্টতগী কুকি ত্রাইব খুদিংমক লৌথোকবা তকশিনখিবগী পাউ-দা চাম অমসুং হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

প্রসিদেন্ট রুলস লৈঙাকা মনিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল-২০২৫ হেন্না চাউনা পাঙথোক্কনি হায়রবসু নাথৈবীরবা হায়বা বেন্নর হেদলাইনগী মখাদা-লুপা ক্রোর ১৭০ রোম চংনা শেমগৎখিবা মোইরাং খুনৌগী ইথনিক পার্কতি মপু পান্দবগা পাঙ্খনহৌরে হায়না হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লৈঙাক্কী ওফিসিএলশিংদা এম.এল.এ. সুসিন্দ্রোনা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই ফেষ্টিবেল বোইকোট তৌবদা শৌগৎপীয়ু হায়না কোকোমিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউদা-আই.দি.পিশিংগী য়েংলগা কোকোমিনা সঙাই ফেষ্টিবেল বোইকোট তৌবগী পাউ-মনিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন

তৌরি।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা পন্দিৎ জৱাহ্‌রলাল নেহ্‌রুগী মপোক নুমিৎকী ১৩৬ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।